এক্স এম এল এ থাংজম নন্দকিশ্বর লৈখিদ্রে...

লামায় ১গী মখা...

মহাক কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবা মতুংদা মশা শোন্থরকপা য়াওনা চানীং-থকনীংবা পোল্লক্তবদগী থা অসিগী ৩দা শিজ হোস্পিটালদা এদমিট তৌদুনা মসিগী কোভিদ ইন্টেন্সিভ ক্যের য়ুনিটতা লয়েংলকখিবনি। অদুবু ঙসি অয়ূক পুং ৬.২০ লোম তারকপদা কনবা ঙমহৌদনা লৈখিদবনি। মহাক মশাগী চহী ৭০ রোম শুখ্রে হায়রি।

মহাক্না খঙহৌদনা লৈখিদবদা মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা থোরকখিবা অৱাবা ফোঙদোকপগী চেরোল অমদা পোলিটিক্সতা অফবা মীওই অমা ওইরমখিবা মহাকপু খঙবশিংনা নুংশিনা ইকায়খুম্ননা লোয়নবীখিবা মীশকনি। মহাক্না কম্ম্যুনেল হার্মোনিগীদমক চোকথবা লৈতনা পাঙথোক্লম্বা থবকশিং অদু মতম কুইনা নীংশিংদুনা লৈরগনি হায়রি।

কোংগ্রেস লিদর অমা ওইনা লৈখিদ্রবা মহাক্কী থৱায়দা ইকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা পার্টিগী ফিরাল তন্থাই চিংথখি। লোয়ননা মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী মায়কৈদগী মহাক্কী ইমুংগী অৱাবদা শরুক য়াবগা লোয়ননা মহাক্কী থৱায়না ঈংনা চিক্না লৈরুনবগীদমক থৌনিখি হায়রি।

অমরোমদা, ক্ষেত্রিগাও ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী ভাইস প্রসিদেন্ট এম বিরেননা থোরকখিবা চেরোল অমদা মহাক্না মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা থম্মোয় শোক্না অৱাবা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা মহাক্কী থৱায়বু ইকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটি অসিগী ক্ষেত্রি ময়ায় লৈকায়দা লৈবা ওফিসতা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমসু পাঙথোকখ্রে। মীফম অদু মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী য়ুথস অমসুং এম এস য়ু আইগী জেনরেল সেক্রেটরিসু ওইরিবা এক্স এম এল এ এম দি অমিন শাহনা ময়ায় তাংবল লৌদুনা পাঙথোকখিবনি। মীফম অদুনা মহাক্কী থৱায়না ঈংনা লৈরুনবগীদমক থৌনিখিবগা লোয়ননা মহাক্কী ইমুংগী মীওইশিংনা থেংনরিবা অৱাবদসু শরুক য়াবা ফোঙদোকখি হায়রি।

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	88.552640
US Dollar	73.818885
British Pound	102.643924
Australian Dollar	57.086237
Chinese Yuan Renminbi	11.402065
Japanese Yen	0.675198
Malaysian Ringgit	17.929318
Singapore Dollar	55.247763
South Korean Won	0.065544
Saudi Arabian Riyal	19.685036
Thai Baht	2.371218

GAS NEWS

LEIBAKLEI GAS SERVICE KAKCHING
BOOKING upto-02.03.2021
VALID FROM -22-02-2021
STOCK : 918
HOME DELIVERY ONLY.
CONTACT NOS:
9862836403, 8415050488, 9862283423,
CALL TIME : 7 AM to 10 AM

KHORIPHABA LPG SERVICE
For booking:6909788407
For enquiry:9612337528
Timing:8am to 12
Saturday 8am to 11am

M/S MISAO GAS SERVICE
ONLY HOME DELIVERY
Booking Upto 14.2kg- 03/05/2021
Valid from-04/04/2021
***19kg Available
For delivery service Please contact -7085738631 or 8119967523
Call timing:8:00am to2:00pm

MAIBIA GAS MOIRANG:
BOOKING upto:08/04/2021
VALID FROM : 07/04/2021
STOCK= 612
(HOME DELIVERY SERVICE)
CONTACT NOS.
1.DILIP-9612883295, ROMESH--7629090297 (MOIRANG A/C). 2.GOBIN-7005913637 (THANGA A/C), 3.NANDA - 9362111646/AMARJIT - 9862710469 (KUMBI A/C).
BOOKING CONTACT NO. 7085972248.
TIMING--8 am to 12 noon

RBD INDANE SERVICE
Booking upto:-02/04/2021
Valid from :- 15/03/2021
Stock :- 412
All Customers are Home Delivery
Working hours : 7:30 AM-11AM and 2pm - 4pm
(Numit khudinggi phone touba yagani Suti nattana / Every Day Except Holiday)
Contact no. 7629947172 and 7629947182 for Refill order and Enquiry
(Delivery within 4 days)

নিংথৌখোং ৱার্দ নম্বর থ্রী কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৫ (ঐচএনএস) : বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নর কৃষ্ণকুমারনা ঙসি থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুং চল্লিবা নিংথৌখোং ৱার্দ নম্বর থ্রীবু কন্টেনমেন্ট জোননি হায়দুনা লাউথোকখ্রে।

চেকশিন থৌরাং অসি হায়রিবা মফম অসিদগী মীওই অমা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপদগী মসিগী পেন্দমিক অসিবু মায়োক্নদুনা লায়না অসিবু অতোপ্পা মীওইশিংদা শন্দোরক্তনবগীদমক লৌখৎলকপনি হায়রি।

দেপ্যুটি কম্মিস্নরগী ওর্দর অসিগী মতুংইন্না কন্টেনমেন্ট জোননি হায়দুনা লাউথোক্লবা নিংথৌখোং ৱার্দ নম্বর থ্রীগী মফম অসি নোংপোক্তনা এপ্রোচ রোদ, নোংচুপ্তুনা খুন্দ্রাকপম তোম্বগী ইখোল, অৱাংদনা খুন্দ্রাকপম রাজুগী ইখোল ফাওবা ওইবগা লোয়ননা মখা রোমদনা ইন্টর ভিলেজ রোদনা ওইগনি হায়রি।

ওর্দর অসি মণিপুর ইপিদেমিক দিজিজেজ, কোভিদ-১৯ রেগুলেসন্স, ২০২০গী পেরা ১২গী মতুংইন্না লাউথোকপনি হায়রি। মরম অসিনা অথিংবা অসিবু থুগাইরকপা মীওই/ওর্গনাইজেসনশিংগী মথক্তা ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন ১৮৮কী মখাদা চৈরাক পীগনি হায়রি।

এ সী ৬কী সী ঐচ আই সীশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৫ (ঐচএনএস) : ঙসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নর রাংনামৈ রাং পিটরগী মায়কৈদগী থোকখিবা চেরোল অমগী মতুংইন্না দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুং চল্লিবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি তরুক্তা নৌনা হাংদোক্কদবা কম্যুনিতি হোম আইসোলেসন সেন্টর (সী ঐচ আই সী) শিং ওইনা শীজিন্নগদবা মফমশিং খন্দোকখ্রে।

সী ঐচ আই সীশিং ওইনা শীজিন্নরগদবা মফমশিং অদুদি লিলোং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী ওইনা লিলোং হাওরৈবী কোলেজগী বোইজ অমসুং গর্লসকী হোষ্টেল (ফমুং ১০০), ৱাংখেম এ সীগী ওইনা য়াইরিপোক বিষ্ণুনহাদা লৈবা শীজিন্নদ্রিবা আই এফ দি সী/ৱাটর রিছোর্সেস দিপার্টমেন্টকী বিল্ডিং (ফমুং ৮০), থৌবাল এ সীগী ওইনা থৌবাল কোলেজ (ফমুং ৮০), খাঙবোক এ সীগী ওইনা কোদোমপোকপী স্পোর্টস হোষ্টেল- ব্লোক এ (ফমুং ৮০), হৈরোক এ সীগী ওইনা হৈরোক পার্ট টুগী খনরোক্তা লৈবা দাইট সেন্টর (ফমুং ৭০) অমসুং ৱাংজিং তেন্থা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী ওইনা ৱাংজিংগী ৱাই কে কোলেজ (ফমুং ৩০) অমসুং ৱাংজিং হায় স্কুল (ফমুং ৩০) নি হায়রি। নৌনা হাংদোক্কদৌরিবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা এসেমব্লি সেগমেন্ট তরুক্কী কম্যুনিতি হোম আইসোলেসন সেন্টরশিং অসি এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি কোভিদ-১৯ মেনেজমেন্ট কম্মিটিনা চলাইগনি হায়রি।

লুপা লাখ ৭ লৌরুবসু পীরুবা মীওইসু পুল্লপ...

লামায় ১গী মখা... গ্রাউন্দদা বেল পীবীনবা হায়জরকপদগী কোর্টনা মহাক্কী বেল প্রেয়র অদু খন্নরবা মতুংদা মহাকপু এপ্রিল ২৬তগী পারগা নুমিৎ ২০নিগী মেদিকেল গ্রাউন্দদা ইন্টরিম বেল পীখিবনি হায়রি।

মহাক ফাগৎলবা মতুংদা মহাক্না লোয়ননা লুপা লাখ ৭ লৌমিন্নখিবা এম দি য়াহিয়া খানসু কেস অসিগা মরী লৈননা ফাগৎনবা খোঙ্গুল লীরকপদা মহাক্তি ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসননা ফেব্রুৱারী ২০২১দা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপা কেস এফ আই আর নম্বর ২৩ (২) ২০২১ অন্দর সেক্সন ২১ (সী), ৬০ (সী) এন দি এন্দ পি এস এক্তকা মরী লৈননা জুডিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌদুনা মণিপুর সেন্ট্রেল জেল শজিৱাদা লৈরম্বা থেংনখি হায়রি। অদুম ওইনমক মহাকসু কেস অসিগী মরু ওইবা এক্স্যুইজ অমা ওইবদগী লম্ফেল পাৎ কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈরিবা স্পেসল কোর্ট (এন দি এন্দ পি এস), মণিপুরদগী অয়াবা লৌরগা মহাকপু এপ্রিল ২৬, ২০২১গী নুংথিল শজিৱা জেলদগী ফোর্মেল এরেষ্ট তৌরবা মতুং পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ লৌথদুনা থা অসিগী ৩ ফাওবা থম্লকখি।

চৈরক্তুদা কেস অসিগা মরী লৈননা পুলিস কন্সটেবল সেলেক্সন ফংনবগীদমক লুপা লাখ ৭ পীরুবা এস শ্যামজাইবুসু এপ্রিল ২৭, ২০২১দা ফাগৎলগা থা অসিগী ৩ ফাওবা পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ লৌথদুনা থম্লকখিবনি। অদুগা মখোয় অনীগী পুলিস কষ্টদিগী মতম লোইরদুনা নুমিৎ অদুদা কোর্টতা পুথোরকখিবদা পুলিসকী মায়কৈদগী থা অসিগী ১৭ ফাওবা জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ পীবিনবা প্রেয়র তৌরকপদগী কোর্টনসু অয়াবা পীদুনা শেল লৌরুবদা য়াওবা এম দি য়াহিয়া খান অমসুং শেল পীরুবা এস শ্যামজাই অনীমক জে লদা থাজিনখিবনি হায়রি। কেস অসিগা মরী লৈননা ককচীং পুলিসনা মণিপুর সেন্ট্রেল জেল শজিৱাদগী কোর্টকী অয়াবা লৌরগা ফোর্মেল এরেষ্ট তৌদুনা ৱাহং পাউহং চথবদা এম দি য়াহিয়া খাননা ফোঙদোরকই হায়বা ৱাফমশিংগী মনুংদা মহাক্না সব ইন্সপেক্টর ওইরম্বা কে ঐচ নিরঞ্জয়গা খঙনখিবা অসি সেপ্টেম্বর, ২০১৭তগী পুলিসকী এসিষ্টেন্ট সব ইন্সপেক্টর ওইবা ৱাংজিংদগী অসুকুমার কৌবা মীওই অমগী খূথাংদনি হায়রি।

মতম অদু এ এস আই অসিনা কুমজা ২০১৭কী ওক্টোবর/নবেম্বর থাদা এস পি ককচীংগী ওফিসতা পোষ্টিং লৈরিঙৈদনি হায়রি। মহাক্না কুমজা ২০১৩দা পাঙথোকখিবা পুলিস কন্সটেবল (মেল/সিভিল) গী রিক্রুটমেন্ট অদুদা ফিজিকেল ইফিসিএন্সি টেষ্ট অমসুং রিটন টেষ্ট মায় পাক্লকখ্রবা কেন্দিদেটশিং থিদুনা রিক্রুটমেন্ট অদুদা শোয়দনা য়াওহল্লক্কে হায়দুনা রিক্রুটমেন্ট অদুদা য়াওখিবা কেন্দিদেটশিং থিননবা হায়খি। ৱাফম অদুগী মতুংইন্না কে ঐচ নিরঞ্জয়না এস শ্যামজাইবু প্রপোজ তৌরকখিবদগী মঙোন্দগী লুপা লাখ ৭ লৌননবা হায়রকখি। অদুগা শেনফম অসিগী মনুংদগী লুপা লাখ ৬না নেপ্রা কম্পনিদগী মীওই অমদা পীরগা লেমহৌবা লুপা লাখ ১গী শেনফমনা মহাক অমসুং নিরঞ্জয়গী স্যের ওইগদবনি হায়নসু খঙহল্লকখি। মখোয় অনীনা লেপথোক্লবগী মতুংইন্না লুপা লাখ ৭কী শেনফম অসি শ্যামজাইনা পীবা ঙমদবদগী মহাক্কী ইখোল য়োন্থোক্লগা এম দি য়াহিয়া খান অমসুং নিরঞ্জয়দা মথৎশিংনা ফেব্রুৱারী ২০১৮দা লুপা লাখ ১, এপ্রিল ১৪, ২০১৮দা লুপা লাখ ৪, এপ্রিল ২৩, ২০১৮দা লুপা লাখ ১ অমসুং জুলাই ১, ২০১৮দা লুপা লাখ ১গী শেনফম থেঙ্খাং মরিরক্তা পীরকখিবনি হায়রি।

হায়রিবা শেনফম অসি কে ঐচ নিরঞ্জয়না এস শ্যামজাইদগী নমথাক তৌদুনা লৌথোকপা য়ানবগীদমক মহাক চীফ মিনিষ্টরগী লোয়নবীগা য়াম্না নক্নবা মীওইনি হায়জিনবগা লোয়ননা কুমজা ২০১৩গী পুলিস কন্সটেবল (মেল/সিভিল) গী রিক্রুটমেন্ট অদুগী রিজল্টসু অথুবা মতমদা লাউথোক্লগনি হায়না এস শ্যামজাইগী ময়ুমদা কয়ারক হন্না লাক্লগা থেন্নবদগী হায়রিবা শেনফম অদু মহাকপু শোয়দনা সেলেক্সন তৌবীরক্কনি হায়দুনা থাজহনবদগী পীখিবনি হায়রি। অদুম ওইনমক লুপা লাখ ৭কী অপূনবা শেনফম অদুগী মনুংদগী এম দি য়াহিয়া খাননা লুপা ৬,৫০,০০০ পায়শিনখ্রগা কে ঐচ নিরঞ্জয়দনা লুপা লিশীং ৫০ খক্তমক মহাক্কী স্যের ওইনা খাইরকখিবনি হায়রি।

পি এম কে এস ৱাই স্কিমগী মনুং চন্না পুখ্রি তৌখিবগী...

লামায় ১গী মখা... পি এম কে এস ৱাইগী স্কিমগী মখাদা ইকং থোক্কনবা ঈশিংগী অৱাবা লৈবা মফমশিংদা লৈঙাক্কী মখাদা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী মীৎয়েং মখাদা পুখ্রি তৌবগী থবক অসি তৌরকখিবনি। লৈঙাক্কী থৌরাং থৌশিল অসি অফবা খোঙথাং অমা ওইবনা ঈশিংগী অৱাবা মায়োক্নরিবা লৌমীশিংনসু লৌ উবদা ঈশিং তঙাইফদনা চঙবনা থৱায় হকচাং য়াওনা লৌমী মশানা হান্না পুখ্রি তৌবদা চঙবা শেনফমশিং পুথোক্তুনা তৌনখি। মদুগী মতুংদা তৌখ্রবা পুখ্রিশিং অদু দিপার্টমেন্টকী মীওইশিং লাক্তুনা য়েংশিল্লবা মতুংদা মখোয়না অয়াবা পীরবা মতুংদা পুখ্রি তৌরিবা লৌমীশিংগী মশাগী-মশাগী একাউন্টদা পুখ্রি তৌবদা চঙখিবা শেনফমশিং অদু হাপ্লক্কনি হায়না দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী ফোঙদোক্লমখি।

অদুবু থা অনী-অহুম শুজিল্লক্লবা ফাওবদা শেনফম থাদোকপীরক্তবনা লৌমীশিংনা লৈত-লৈত পুথোকচদুনা পুখ্রি তৌখিবা অদুগী শেনফম ফংদবনা অৱাবা কয়া মায়োক্নরে। পুখ্রি তৌখিবগী শেনফম করিগী হৌজিক ফাওবা থাদোকপীরক্ত্রিবনো হায়না এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্ট চৎতুনা হংলবসু চপচাবা পাউখুম ফংদনা লৈরি। মীওই খরনা মরি লৈনবা মিনিষ্টরনা এপ্রুভেল থাদোরক্তবনা লৌমীশিংদা পুখ্রি তৌখিবগী শেনফম অদু হৌজিক ফাওবা ফংদবনি হায়রি। অদুগা মীওই খরনা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী হান্না ওইরম্বা দিরেক্টর অতোপ্পা মফম অমদা অমুক পোষ্টিং থাখিবা অমদি অনৌবা দিরেক্টর অমা লাকপদগী পন্থুবনি হায়বনচিংবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লরি। মরম অদুনা কোভিদ-১৯গী চৈথেং ফংলবা লৈত-লায়রবা লৌমীশিংদদি থৌওং অসিনা খরা খজিক শাফঙদ্রা হায়না শেন পুথোক্তুনা পুখ্রি তৌজরুবা লৌমীশিংদদি অচৌবা অৱাবা অমা হায়বদু ওইরে।

লোয়ননা হৌজিক-হৌজিক কোভিদকী মতমসু ওইবনা দিপার্টমেন্টদা তোয়না চৎপসু ঙম্নদে। কোভিদ-১৯ কনশিল্লক্ত্রিঙৈ মমাংদা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টতা চৎলুরবসু দিরেক্টর অনৌবা শিনবগী য়ানিংদবা ফোঙদোকপগী ষ্ট্রাইকনচিংবা থৌওং কয়া চৎথবনা হীরম অসিগী মতাংদা চপচাবা ৱাফম খঙবা ঙমদনা লৈরি। মরম অদুনা লৌমীশিংগী অৱাবা অসি উবিদুনা মরি লৈনবা মিনিষ্টর অমদি দিপার্টমেন্টনা হীরম অসিগী মতাংদা মীৎয়েং চঙবিদুনা লৌমীশিংনা মশানা শেন পুথোকচদুনা পুখ্রি তৌবদা চঙখিবা শেনফমশিং ফংহন্নবা হোৎনবিয়ু। লোয়ননা লমদম অসিগী মীয়ামগী অৱাবদা অতেনবা মতমদা মীৎয়েং চঙবিদুনা খুদোংচাদবা অৱাবা কয়া কোকহনবিরিবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননসু হীরম অসিগী মতাংদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবিয়ু হায়নসু মায়কৈ কয়াগী লৌমীশিংনা ফোঙদোক্নরক্লি।

মীওই ৫১ শিখ্রবা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকীদি ওক্সিজেন...

লামায় ১গী মখা...

ঙসিগী ওইনা থেংনখিবা পোজিটিভ কেসশিং অসি জেনিমসতা ১৮, রিমস ৫৬, ইম্ফাল ইষ্ট ৬, ইম্ফাল ৱেষ্ট ৪১, মাদরস ক্যের ৩, রাজ মেদিসিটি ২৬, আর ৱিং ৬, রেমেদি হোস্পিটাল ১, সমরিটান ১, স্বিশ ক্লিনিক ৩, এ সী এম ঈ ১, লিট্টল ক্লিনিক ৫, চেম্বর ওফ কম্মর্স ১, গ্রেস এন ঐচ ১, ইমা হোস্পিটাল ১, ইম্ফাল হোস্পিটাল ১, শিজ হোস্পিটাল ২২, জিবন হোস্পিটাল ৪, ববিনা দাইগ্নোষ্টিক্স ১০৪, থৌবাল ৩, বিষ্ণুপুর ৪, ককচীং ২৩, উখ্রুল ১০, চুড়াচান্দপুর ১১, চান্দেল ২, কাংপোকপী ১৫, তমেংলোং ১২, সেনাপতি ১৫ অমসুং জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টতা ১নি হায়রি।

হায়রিবা তোঙান তোঙানবা টেষ্টিং সেন্টরশিং অসিদা থেংনখিবা পোজিটিভ কেসশিং অসিগী মনুংদা য়াওরিবা মীওইশিংনা ইম্ফাল ইষ্টতগী ৬৯, ইম্ফাল ৱেষ্ট ১৮৭, থৌবাল ১০, বিষ্ণুপুর ১২, ককচীং ২৮, উখ্রুল ১১, চুড়াচান্দপুর ১৩, তমেংলোং ১১, সেনাপতি ১৫, কাংপোকপী ১৭, জিরিবাম ২ অমসুং চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মীওই ২নি হায়রি।

কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অসিগীদমক মখোয়গী কন্টেক্ট ট্রেসিং য়াওনা কন্টেনমেন্টনচিংবা লৌখৎফম থোকপা মেদিকেলগী চেকশিন থৌরাংশিংসু লৌখৎলে হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়বদা হৌখিবা পুং ২৪দা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা লৈখিদবা মীওইশিংগী মশীং ১০নি হায়রকপগা লোয়ননা মখোয়গী মনুংদা কাংপোকপীদগী চহী ৭৮ শুরবা নুপা ১, ইম্ফাল ইষ্টতগী মশাগী চহী ৭০ শুরবা নুপা ১, ইম্ফাল ৱেষ্টতগী মশাগী চহী ৭২ শুরবা নুপা ১, ইম্ফাল ইষ্টতগী চহী ৬৭ শুরবা নুপী ১, ইম্ফাল ৱেষ্টতগী চহী ৭২ শুরবা নুপা ১, কাংপোকপীদগী চহী ৬০ শুরবা নুপী ১, চুড়াচান্দপুরদগী চহী ৪৮শুরবী নুপী ১, ইম্ফাল ৱেষ্টতগী চহী ৪২ শুরবী নুপী ১, ইম্ফাল ইষ্টতগী মশাগী চহী ৭৫ শুরবী নুপী ১ অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টতগী মশাগী চহী ৫৬ শুরবা নুপা অমনি হায়রি।

মীওইশিং অসি লৈখিদবা মফমশিংনা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা ১, রিমসতা ২, জেনিমসতা ১, শিজ হোস্পিটালদা ২, বাল ভবন্দা ৩, কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা ১, রিমসতা ২ অমসুং জেনিমসতা ১নি হায়রি।

ঙসি শিখিবা মীওইশিংগী মশীং ১০দা খংহেন হেনগৎলকপা অসি থারগা হৌজিক ফাওবদা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা শিহনখিবা মণিপুরগী অপূনবা মীশিং ৪৩৪ শুরে হায়রি।

চৈরকসিদা ঙসিগী ওইনা দিসচার্জ তৌখিবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীংনা ১২১নি। মসিগী মনুংদা সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্সকী মীওই ১, হোম আইসোলেসন সেন্টরদগী মীওই ১০৬, রিমসতগী ৬ অমসুং শিজ হোস্পিটালদগী ৮নি হায়রি।

ঙসি ফাওবগী লৈরিবা মণিপুরগী অপূনবা পোজিটিভ কেসশিংগী মশীংনা ৩৩,৩৫৩নি। মসিগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগীনা ২৯,৭৪৭ ওইরগা সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী মশীংনা ৩,৬০৬নি হায়রি। অদুগা ঙসি ফাওবদা লায়না অসিদগী ফগৎলকখিবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীংনা ৩০,২৬২নি। হায়রিবা অপূনবা মশীং অসিগী মনুংদগী জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওইশিংগী মশীংনা ২৬,৭৯৫ ওইরগা সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী মশীংনা ৩,৪৬৭নি হায়রি। লোয়ননা ঙসি ফাওবগী ওইনা এক্টিভ কেস মশীং ২,৬৫৭তা হেনগৎলকখ্রে। অপূনবা এক্টিভ কেসকী মশীং অসিগী মনুংদা ২,৫২৩না জেনরেল পোপ্যুলেসনগীনি অদুগা সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী মশীংনা ১৩৪নি হায়রি। লোয়ননা ঙসি ফাওবগী ওইনা লায়না অসিদগী ফগৎলকপগী চাংনা চাদা ৯০.৭৩দা হন্থরকখ্রে।

কোভিদ-১৯ কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অসিনা মখা তানা হায়বদা হৌখিবা পুং ২৪দা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা হেল্থ ইন্সটিট্যুসন অমসুং হেল্থ ফেসিলিটি সেন্টরশিংদা দি টাইপকী ওক্সিজেন সিলিন্দর ৮২১ অমসুং বি টাইপকী ওক্সিজেন সিলিন্দর ৩২৩গী খুদোংচাবা লৈহনখ্রে। অমরোমদা মে ৩, ২০২১দা এয়র ইন্দিয়াগী ফ্লাইট নম্বর এ আই - ৩৭১৩গী রো ১২-১৮ ফাওবদা তোংলকখিবা পেসেঞ্জরশিংনা কোভিদ ক্যের কন্ট্রোল রুম (১৮০০-৩৪৫-৩৮১৮) নৎত্রগা দিষ্ট্রিক্ট সর্ভিলেন্স ওফিসর (দি এস ও) শিংদা পাউ পীরক্কদবনি হায়রি।

লোয়ননা চেরোল অসিনা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকপা য়ারবা মীওই পুম্নমক রিমস, জেনিমস, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিং, সী ঐচ সী, পি ঐচ সী অমসুং খনগৎলবা প্রাইভেট হোস্পিটালশিংদা হীদাক কাপথোকপীনবসু খঙহল্লক্লি।

অমরোমদা, চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভ মায়োক্নরক্লিবা অসিগী য়েংলগা তঙাইফদনা হাংদোক্কদৌরিবা অনৌবা ওক্সিজেন প্লান্টগী মতাংদা ঙরাং দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দেপ্যুটি কম্মিস্নর পাৱন য়াদবনা প্রিসাইদ তৌদুনা অৱাংবা থাক্কী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

পাউচে অসিনা ফংবা পাউগী মতুংইন্না মীফম অদুদা চড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী দিষ্ট্রিক্ট লেভেলগী ওফিসরশিংনা শরুক য়াখি। লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট অসিগীদমক্তা নৌনা হাংদোক্কদৌরিবা ওক্সিজেন প্লান্ট অদু য়ামদ্রবদা নুমিৎ ১০নিগী মনুংদা থবক হৌবা য়াহন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে হায়রি।

অদুম ওইনমক চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালগী কেম্পস মনুংদা লিংগদৌরিবা ওক্সিজেন প্লান্ট অসিনা শীজিন্নগদবা কাশিং অদুদি হৌজিক শাগৎপা হৌবদা ঙাইরি। ওক্সিজেন প্লান্ট অসি চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা শাগৎতুনা থম্নবগী এপ্রুভেলদি মমাঙগী কুমজা ২০২০গী দিসেম্বরদা মরী লৈনবা মণিপুর লৈঙাক্কী ওথোরিটিনা এপ্রুভ তৌদুনা অয়াবা পীরকখ্রবনি হায়রি।

অদুম ওইনমক হায়রিবা মিনট অমদা ওক্সিজেন লিটর ২০০ পুথোকপগী কেপাসিটি লৈগদবা প্লান্ট অসি লিংনবগী অয়াবা ফংলবসু মসিগীদমক বিল্ডিং শাগৎপগী শেল মতম চানা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পীরক্তবদগী মতম চানা শাগৎপা ঙমখিদবনি হায়রি। অদুবু হৌজিক দিষ্ট্রিক্ট অসিদসু নোংম-নোংমগী পোজিটিভ কেসশিংগী মশীং হেনগৎলকপদগী এক্টিভ ওইবা কেসশিং হেনগৎলকপা অমসুং ঙসি পূন্না লৈখিদবা মীওই ১০গী মনুংদসু দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মীওই অমা য়াওশিল্লকপগী ফীভমশিং অসি য়েংলদুনা প্লান্ট অসিগীদমক বিল্ডিং কন্সত্রক্সনগী থবক অসি হৌগৎলকখিবনি হায়রি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়বদা, চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালগী কেম্পসতা ওক্সিজেন প্লান্টকীদমক শাগৎপা হৌবদা ঙাইরিবা বিল্ডিংগী ফীভম ঙসি দেপ্যুটি কম্মিস্নর পৱন য়াদব অমসুং দিষ্ট্রিক্ট এস পি অমৃত সিংহগা লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মরী লৈনবা ওফিসলশিং, মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট অমসুং চীফ মেদিকেল ওফিসরনচিংবনা পূন্না চৎতুনা য়েংশিনখ্রে হায়রি।

মদুদা লৈরম্লিবা ওক্সিজেন প্লান্ট অসিগীদমক শাগৎলিবা অনৌবা বিল্ডিংগী ফীভম অদু উরবা মতুংদা দেপ্যুটি কম্মিস্নরনা কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভ অসিনা পীরকপা চৈথেংশিংগী মতাংদা হকচিন্না লৌরদুনা বিল্ডিং কন্সত্রক্সনগী থবক অসি লেপ্তুনা চথনবা খঙহনখিবগা লোয়ননা লাক্লিবা থা অসিগী ১০দগীনা ১৫ ফাওবগী মনুংদা মপূং ফানা লোইশিন্নবা খঙহনখি। হায়রিবা অসি নৎত্রবদি পোজিটিভ ওইবা মীশিংগী মশীং লেপ্তুনা হেনগৎলক্লগদি খুদোংচাদবা অমা ওইগনি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি হায়রি।

গাড়ী হুরানবা ১ গাড়ীগা কোন্ননা ফারে

ইম্ফাল, মে ০৫ (ঐচএনএস) :

ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসননা ককচীং অমসুং পলেল পুলিস ষ্টেসনগী কম্মান্দো টিমশিংগা লোয়ননা চত্থখিবা অখন্নবা ওপরেসন অমদা ইম্ফালদগী হুরান্দুনা পুখিবা মোটোর সাইকল (টি বি এস অপাচি) অমা মসিবু হুরানখিবা মীওই অদুগা কোন্ননা ফাগৎপা ঙমখ্রে।

হুরানখিবা গাড়ীগা কোন্ননা ফারবা মীওই অদুগী মমিং সৈজাকাই হাওকিপ (১৮) কৌই। সেনাপতি সব দিভিজনগী সাইতু কম্ফাজেলগী পাংমোল ভিলেজদগী সৈলুন হাওকিপকী মচানুপানি। হৌজিক্না তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মোরে ৱার্দ নম্বর ৭কী কানন ভেঙদা লৈবনি হায়রি।

পাউচে অসিনা ফংবা পাউগী মতুংইন্না মহাক্না মমাঙ থাগী ১১গী নুংথিল পুং ৪.৩০ রোম তারকপদা ইম্ফালগী নোর্থ এ ও সী মনাক্তা লৈবা মণিপুর পব্লিক সর্ভিস কম্মিসনগা থংননা লৈরিবা হোটেল ইম্ফালগী মমাঙদা ছো লোন্দুনা খাম্লগা থম্বা মোটোর সাইকল অসি হুরানখিবনি হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা গাড়ী অসিগী মপু ওইরিবা হৌজিক্না লাংজিং অচৌবদা লৈবা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী উপোকপীদগী রোসন ওইনাম (২০) অপোকপা ও রামেসনা নুমিৎ অদুমক্কী নুংথিলদা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসন্দা কমপ্লেন্ট রিপোর্ট অমা ফাইল তৌরকখিবনি হায়রি।

রিপোর্ট অদুগী মতুংইন্না পুলিস ষ্টেসন অসিনা ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন ৩৭৯গী মখাদা কেস এফ আই আর নম্বর ৫৫ (৪) ২০২১ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখি। পুলিসনা কেস অসিগী মতুংইন্না গাড়ী অসিগী খোঙ্গুল লীরকপদা মীওই অসি ঙরাং ফাগৎপা ঙমখিবগা লোয়ননা ঙসি চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট, ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা নুমিৎ ৮নিগী পুলিস কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরদুনা পুথোরকখিবদা কোর্টনসু অয়াবা পীখ্রে।

ইলেক্সন মতুংদা তৃণমুল কোংগ্রেসনা মীওৎ মীনৈ...

লামায় ১গী মখা... ঙমখি। মদুগী মনুং চন্না অসামদা বি জে পিনা লুচিংবা অনৌবা লৈঙাক অমা অনীরকশুবা ওইনা লাক্লগনি।

য়ুনিয়ন টেরিটোরি পুদুচেরিদসু বি জে পিগী লৈঙাক লৈরগনি হায়খিবগা লোয়ননা মমাঙদা পাঙথোকখিবা মীখলশিংদা সিট ১/২ খক্তমক ফংলম্বা ৱেষ্ট বেঙ্গলদা হন্দক্কী মীখল অদুদা বি জে পিনা সিট ৭৭ ফংবা ঙমখিবা অসিমক ষ্টেট অদুদা বি জে পিগী ফীভম হান্নদগী হেন্না ফগৎলে হায়বা তাকপনি হায়খি।

ইলেক্সন অসিগী মতুংদা ওল ইন্দিয়া তৃণমুল কোংগ্রেসকী ৱার্করশিংনা বি জে পিগী ৱার্করশিংবু ওৎ নৈবা, মহিলা মোর্চাগী ৱার্করশিংবু মোলেষ্ট তৌখিবা থৌওংশিং অসি লৈবাক অসিদা য়াম্না তাঙনা থোকপা থৌদোকনি হায়রদুনা অসিগুম্বা থৌওং অসি ৱেষ্ট বেঙ্গলগী পোলিটিকেল হিষ্টোরিদসু অমুবা মচুনা ইদুনা লৈহৌরগনি হায়খি।

পাউমীশিংগা উনবগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা বি জে পিগী প্রসিদেন্ট ইন চার্জ ডা. উসম দেবেননা হায়, ৱেষ্ট বেঙ্গলদা ইলেক্সন মতুংদা তৃণমুল কোংগ্রেসকী ৱার্করশিংনা বি জে পিগী ৱার্করশিংগী য়ূমশিং মাঙহন তাকহনখিবা অমদি ফূ-চৈবা তৌদুনা চত্থখিবা মীওৎ-মীনৈগী থৌওংশিং অদুগী মায়োক্তা ঙসি মণিপুরদা পাক শন্না বি জে পিগী মায়কৈদগী প্রোটেষ্ট তৌরদুনা ৱাকৎ মীফমশিং চত্থখি। অদুগুম্বা মতিক চাদবা এ আই টি সীগী লিদরগী মথক্তা কেস এফ আই আর অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলগা থৌদোকশিং অদুদা চেন্নরিবা পার্টি অদুগী ৱার্করশিং মরালগী মতুংইন্না জেলদা থম্বগা লোয়ননা ৱেষ্ট বেঙ্গলদা প্রসিদেন্ট রুল থমদুনা ষ্টেট অদুদা তংদু লৈতাবা ফীভম অমা লৈহনবা পাম্মী হায়খি।

ঙসিগী পাউগী মীফম অদুদা বি জে পি মণিপুর অমদি নাগালেন্দগী জেনরেল সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসন ওইরিবা অভেকুমার খিরিসু শরুক য়াখি।

কোভিদনা লৈখিদবা মীওই ১গী হকচাং ...

লামায় ১গী মখা... পাঙথোক্লবগীদমক লৌবা লাকপদা পোৎলোইথোকখিবদগী লৈরমদ্রবা লৈখিদ্রবা মীওই অদুগী মমিং ৱারেপ্পম জুগিন্দ্রো কৌই। মশাগী চহী ৭৮ লোম শুখ্রে। অপোকপগী মীংনা দল্লিয়ু শামু কৌই। ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী তোপ খোংনাংখোঙদগীনি হায়রি।

অদুগা জেনিমসতা লৈখিদ্রবা দল্লিয়ু জুগিন্দ্রোগী হকচাংনি হায়দুনা থল্লমখিবা মীওই অদুগী মমিংনা লোকেন কৌই। বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা তৌবুলদগীনি হায়রি।

কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবা মহাকসু ঙরাং জেনিমসতা লায়কন্নরকপদগী কনবা ঙমদনা লৈখিদবনি হায়রি।

থৌদোক অসি লৈখিদ্রবা জুগিন্দ্রোগী ইমুংগী মীওইশিংনা মরী লৈনরিবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নরদগী কোভিদ-১৯গী প্রোটেকোল/এস ও পি ঙাক্তুনা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকপদা অয়াবা পীবিয়ু হায়দুনা মসিগীদমক পার্মিসন লৌননবা কোয়চেন চেন্নরিঙৈদা জেনিমসকী ওথোরিটিনা মহাক্কী হকচাংদু পোৎলোইথোক্লম্বনি হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা লৈখিদ্রবগী মচানুপা অমনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা মহাক থা অসিগী ৩দা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপদগী জেনিমসতা পুখৎলকতুনা লাইয়েংশঙ অসিগী কোভিদ ৱার্দতা এদমিট তৌদুনা লায়েংলকখিবনি। অদুগা ঙরাং নুমিদাং অমসুং ঙসি অয়ূক্কী লোন্নবা নোংয়াই মতুং পুং ২.৩০ রোম তারকপদা কনবা ঙমদনা লৈখিদবনি হায়রি।

মহাক হান্না য়ু পি এফকী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা দল্লিয়ু কেকেনগী অপোকপনি হায়রি।

লৈখিদ্রবগী মচানুপা য়াওনা মহাক্কী ইমুংগী মীওইশিংনা ফোঙদোরকখিবদা জেনিমসতা এদমিট তৌদুনা লায়কন্নখিবা মহাক লৈখিদ্রে হায়দুনা পাউ পীরকপগা পন্থদনা দেপ্যুটি কম্মিস্নরদগী পার্মিসন লৌদুনা পোৎলোইনবগীদমক ঙাইনদুনা লৈরকখিবনি। অদুগা দি সীগী পর্মিসন ফংলবা মতুংদা লৈখিদ্রবগী হকচাং লৌননবা লাকপদা লৈরমদবনি হায়রি।

অঙকপা থৌদোক অসিদগী ইমুংগী মীওইশিংনা লৈখিদ্রবগী হকচাংগী খোঙ্গুল লীরকপদা কোভিদ-১৯না লৈখিদবা মীওই অমনি হায়দুনা দল্লিয়ু জুগিন্দ্রোগী হকচাং মিনুথোংগী পব্লিক ক্রিমিটোরিয়মদা পোৎলোইথোকখ্রে হায়বা খঙলকখিবনি হায়রি।

অসিগুম্বা জেনিমস ওথোরিটিগী মায়কৈদা য়াম্না চেকশিন্দবা মানবা থৌওং অসি মতুংদা থোকহনগনু হায়বগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুংগী মায়কৈদগী থম্মোয় শোক্না পেন্দবা ফোঙদোকখি।

ৱাহৌ অসিগা মরী লৈননা লায়েংশঙ অসিদা থোরকখিবা ঈরাং দিষ্ট্রিক্ট এস পি যোগেসচন্দ্র হাওবিজম মশামক্তা লোয়নরকখিবা পুলিস পার্টি অমনা কন্ট্রোল তৌদুনা লাকশিনখি। অদুম ওইনমক জেনিমসকী থৌওং অসিদা খোইশাওনরবা মীয়াম্না ইন্সটিট্যুট অসিগী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্টকী য়াওনা গাড়ী অনীগী ৱিন সিল্ডশিং থুগাইখি।

ঙসি থোকখিবা থৌদোক অসিগী মতাংদা জেনিমসকী দিরেক্টর য়াওনা অথুবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা থৌদোকসিদা চেন্নরিবা মীওইশিংগী মথক্তা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎলগনি হায়খি। লোয়ননা থৌদোক অসিগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরগী হেল্থ এদভাইজর ওইরিবা এম এল এ ডা. সাপম রঞ্জনসু থৌদোক থোকফমদা হকথেংননা লাক্তুনা য়েংশিল্লখি।

অমরোমদা, রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) কী মীদিয়া এদভাইজরনা থোরকখিবা চেরোল অমদা রিমসতগী অশিবা হকচাং লান্না/ওন্ন-তৈননা পীথোকখি হায়বগী ৱাফম সোসল মীদিয়াদা অপলোদ তৌনরকখিবা অদু অরানবা ৱাফমনি হায়রদুনা অসিগুম্বা থৌদোক অমত্তা রিমসতা থোকখিবা লৈতে হায়নসু শেংদোরক্লি।

পোজিটিভকী মশীং কন্ট্রোল রুমগা দি এস ওগা ...

লামায় ১গী মখা... চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা মীওই ১৩নি হায়রকখ্রবসু চীফ মেদিকেল ওফিসর চুড়াচান্দপুরগী কোভিদ-১৯ ষ্টেটস রিপোর্ট, আই দি এস পিগী মায়কৈদগী দিষ্ট্রিক্ট সর্ভিলেন্স ওফিসর/আই দি এস পি, চুড়াচান্দপুর ডা. ঙানৈকিম হাওকিপনা পীরকখিবা ঙসিগী রিপোর্টকা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইনা পোজিটিভ ওইবগী মশীংদা চাউনা খেন্নরল্লে।

দি এস ও/আই দি এস পি, চুড়াচান্দপুরনা থোরকপা চেরোলগী মতুংইন্নদি ঙসিগী ওইনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী অপূনবা মীওই২১২ টেষ্ট তৌখিবগী মনুংদা মীওই ৪২ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইখি। অপূনবা মশীং অসিগী মনুংদা নুপা ৩৪ অমসুং নুপী ৮নি হায়রি। লোয়ননা মীওই ১০৪গী রিজল্টসু ফংদবদগী ঙাইনরি হায়না ফোঙদোরকখি।

অদুম ওইনমক মণিপুর লৈঙাক্কী কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমগী চেরোলদদি চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা মীওই ১৩ খক্তমক পোজিটিভ ওইবা থেংনখি হায়রি।

দি এস ও/আই দি এস পি, চুড়াচান্দপুরগী চেরোল অসিগী মতুংইন্না ঙসি নুংথিল পুং ৩ ফাওবগী মনুংদা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা পোজিটিভ কেস মশীং ২,৩৮০নি। মসিগী মনুংদগী ফগৎলকখিবা মীওইশিংগী মশীংনা ২,১৪৩নি। অদুগা ঙসি নুংথিল পুং ৩ ফাওবগী মনুংদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইনা লৈখিবা এক্টিভ কেসকী মশীংনা ৫১নি। মসিগী মনুংদা নুপা ৩৪ অমসুং নুপী ১৭নি হায়রি।

ঙসিগী ওইনা থেংনখিবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী পোজিটিভ কেস ৪২ অসি হাপচিল্লগা হৌজিক ফাওবদা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা মীওই ৪৬,৪৯৮গী সেম্পল লৌদুনা টেষ্ট তৌখ্রে হায়বা ৱাফমসু পল্লি।

কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমনা থোরকখিবা ষ্টেট অসিগী ওইবা লায়না অসিগী রিপোর্টকা দি এস ও/আই দি এস পি, চুড়াচান্দপুরগী মায়কৈদগী থোরকখিবা রিপোর্ট অনীসিগী মরক্তা পোজিটিভ ওইবগী মশীংদা চাউনা খেন্নরিবসিগী মতাংদা পাউচে অসিনা কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমগী মায়কৈদগী হেল্থ দিপার্টমেন্টকী এদিসনেল দিরেক্টর অমসুং স্পোক্সপর্সনসু ওইরিবা ডা. খোইরোম শসিকুমার মঙাংদা হংখিবদদি মহাক্কী মায়কৈদগী থোরক্লিবা চেরোল অসিদা পল্লিবা রিপোর্টশিং অসি তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী আই দি এস পিশিংনা পীরকপা রিপোর্টকী মতুংইন্না থোকপনি হায়না ফোঙদোরকখি।

আর দি ৱিংগী কোভিদ ক্যের সেন্টরগী অনাবশিংগী...

লামায় ১গী মখা... মণিপুরদসু লায়না-লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্নবা গ্রেটর ইম্ফালদা কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখ্রে। মসিদা মীয়াম্না এস ও পি ঙাক্না চৎপীয়ু। ঙসি ওইরক্লিবা ফীভম অসি থৌওইদবা মীকুপ্তুগী থোক্লক্লিবা ঙাক্তনি। মরম অসিনা ঐখোয় খূদিংমক চেকশিনমিন্নসি।

চৈরকসিদা লৈঙাক্না থৌরাং থৌশিল কয়া অমা পায়খৎলবসু মীয়াম্না নুংঙাইতবা কয়া থোক্লিবসি রিমস অমসুং জেনিমস হোস্পিটাল নত্তনা লৈঙাক্না স্পোন্সর তৌবা কোভিদ ক্যের সেন্টরশিং হায়বদি আর দি ৱিং, বাল ভবনদা লৈরিবা পেসেন্টশিংনা চান-থক্নবা অনাবা মশা-মশানা এরেঞ্জ তৌজৌ হায়বসিনি। মসিদা অনাবশিংনা অৱাবা ফীভম কয়া মায়োক্নরি। থাংমৈবন্দ এ সীগী মনুং চন্না লৈরিবা আর দি ৱিংদা হাংলিবা কোভিদ ক্যের সেন্টরদা লৈরিবা পেসেন্টশিংগী চান-থক্নবা ফংহনবগী রেস্পোন্সিবিলিটি লৌজগে। লঞ্চ, দিনর, লাইট, ব্রেক ফার্ষ্ট অমদি নুংথিলগী স্নেক-টি এরেঞ্জ তৌজরগে। মসিদা লৈঙাক্না অয়াবা পীবীয়ু। মণিপুর লৈঙাক্কী লৈরিবা মিনিষ্টরশিং, এম এল এশিং, ওপোজিসন নৎত্রগা রুলিংগী ইলেক্টেদ পর্সনশিং ঐখোয় ময়াম্না লৈঙাক্কী ক্রিটিসাইজ তৌদুনা নোই অদু তৌই, অদু ৱাৎলি হায়বগী মহুৎতা কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংগী চান-থক্নবা অসি ঐখোয় অমমমনা থৌদাং লৌসি। লৈঙাক্না হিদাক ৱাৎপগী, ওক্সিজেন ৱাৎপগী চেনসনু। লোইনমক লৈঙাক্তা তায়নগনি হায়বা ৱাফম তোকথোকসি। ব্লেম গেমগী মতম নত্তে। লাক্লিবা লানসি ওপোজিসন রুলিং খায়বা নত্তে। কোরোনাভাইরসনা লান্দারক্লিবা অসিদা মসি রুলিংনি, মসিনা ওপোজিসননি, মসিনা ৱা য়াম্না ঙাংবনি হায়দুনা খায়দোক্লগা লান্দারক্কদবা নত্তে। মরম অসিনা ঐখোয় খূদিংমক অমত্তা ওইনা থেংনমিন্নবা চঙই।

আর দি ৱিংদা লৈরিবা অনাবশিংগী চান-থক্নবশিংগী থৌদাং লৌবগী অয়াবা লৈঙাক্না পীবীরবদি লাক্লিবা মে ৭তগী পীবা হৌননবা শেম-শাজরে। লৈঙাক্না মেদিকেল ষ্টাফ, ওক্সিজেন অমদি হিদাকনচিংবা ৱাৎতনবা থৌদাং লৌবীয়ু। লমদম অসিদা লৈরিবা সী এস ওশিংসু মশীং য়াম্না য়াম্মী। কাঙলুপসু য়াম্না য়াম্বা মরম্না মৈতৈ, নাগা, কুকি, মুস্লিম, মার, বাইতেনচিংবা কয়া অমসু লৈরি। সী এস ও অমমমনা লাউরকপদা য়াম্না কন্না লাউরিবনি। মরম অসিনা সী এস ও ময়াম অসি পুল্লপ পুনশিল্লগা কোরোনা থেংনবদা য়াম্না লাইনা মায়থীবা পীবা ঙমগনি খল্লি। মরম অসিনা সী এস ও ময়াম পুনশিনবীয়ু। পোলিটিকেল পার্টিগী লুচিংবশিংসু য়াওশিনবীয়ু। অদুনা ঐখোয় পুন্না খুৎশম্নদুনা কোরোনা অসি পুন্না থেংনমিন্নসি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।